# ‘নুপীগী ৱাহৌ’দা ইজিপ্টকী প্লেন হাইজেক তৌবগী দ্রামা হাইজেকরনা সরেন্দর তৌখিবদগী লোইশিনখ্রে



কাইরো, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) ঃ
মীরৈবাক মচা ২১ অমসুং ক্রু মেম্বর ১৫ য়াওনা পুন্না মীওই ৮১ তোংবা অলেগজেন্দ্রিয়াদগী তম্না পাইখিবা ইজিপস্যন কম্মর্সিয়ল এয়রলাইনর অমা ঙসি পেসেঞ্জর অমনা হাইজেক তৌদুনা সাইপ্রসতা নম্ফুদা তাহনখ্রে, তৌইগুম্বসুং পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রুগী মীওইশিং অদু অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহন্দনা থাদোকখ্রে। লোয়ননা মশা সরেন্দর তৌখিবা হাইজেকর অদুসু ফারে হায়রি।

এয়রবস ৩২০ ফ্লাইট অদুদা ফোরেনর ২১, ক্রু ১৫ য়াওনা পুন্না মীওই ৮১ তোংখি অমসুং মদু দোমেষ্টিক কম্মর্সিয়ল ফ্লাইটনি হায়না ইজিপ্টকী সিবিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

হাইজেকর অদুনা ওথোরিটিশিংদা সরেন্দর তৌখিবগা লোয়ননা পুং কয়াগী হাইজেকিংগী দ্রামা অমসুং সাউদর্ন সাইপ্রসকী লার্নাকা এয়রপোর্টতা খুদক্তা করি করি খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা তৌফম খঙলমদবমখৈ লৈরম্বদু লোইশিনখি হায়রি। মহাক্না প্লেনদুগী পেসেঞ্জর অয়াম্বা হান্না থাদোকখি তৌইগুম্বসুং ক্রু মেম্বর মরি অমসুং পেসেঞ্জর অহুম পুন্না মীওই তরেৎতি ফাজিন্দুনা থমখি। মহাক্না পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রুগী মীওইশিং অদুবু মশাদা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট য়াওরি হায়দুনা কিহল্লগা থমখিবনি হায়রি।

হাইজেকর অদুবু ফাদ্রিঙৈ মিনিট খরখক্কী মমাঙদা এয়রপোর্টতগী থারকখিবা লোকল টি ভী ফুটেজনা মীওই কয়া এয়রক্রাফটতগী কুমথবা অমসুং ক্রুগী মেম্বর মানবা মীওই অমনা কোকপিটকী থোঙনাওদগী কাখৎলক্লগা প্লেনদুগী নাকলদা নাম্থরকখিবগী শক্তমশিং উৎখি।

সাইপ্রসকী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী পামিনিনেন্ট সেক্রেটরি অলেগ-জেন্দ্রোস জেননা হাইজেকরনা সরেন্দর তৌখিবা অমসুং তুংদা মহাকপু ফাখিবদু চুমই হায়না কনফার্ম তৌখি। “মহাকপু ফাখিবগা লোয়ননা পূক্নিংদা লাংতক্কবা লৈরম্বশিং কোক্লখি” হায়না জেননা হায়খি।

ইজিপ্টকী প্রাইম মিনিষ্টর শরিফ ইস্মাইল অমসুং সিবিল এভিয়েসন মিনিষ্টর শরিফ ফাথিনসু হাইজেকর ফাখিবগী পাউ পীখি। “পেসেঞ্জর অমসুং ক্রুগী মীওই পুম্নমক অশোয়-অঙাম অমত্তা য়াওদ্রে” হায়না ফাথিনা ষ্টেট টেলিভিজন্দা ফোঙদোকখি।

নুপা অদুনা প্লেনদু করিগীদমক্তা হাইজেক তৌখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে, তৌইগুম্বসুং সাইপ্রসকী প্রসিদেন্ট নিকোলাস অনাষ্টাসিয়াদিজনা হায়খি মদুদি, “প্লেন হাইজেক তৌবদু টেররিজমগা মরী লৈনৈ হায়না লৌনিঙাই ওইদে।”

মশক মমিং তাকথোকখিদবা সাইপ্রস গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমনা হাইজেক্কী থৌদোক্তুগা মরী লৈননা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি, “নুপা অদু নুংশি-নুংওনগী ৱাখল অমদা লুপ্লগা লৈবা মাল্লি।”

নিকোসিয়াদা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী প্রসিদেন্ট মার্তিন সল্টসগা লোয়ননা পাউমীশিংগা উনখিবা অনাষ্টাসিয়াদিজনা “প্লেন হাইজেক অদুদা নুপী অমা চেন্নৈ” হায়না ফোঙদোরকপদা অতাবশিংনা নোকখি। পাউমীশিংনা প্রসিদেন্ট অনাষ্টাসিয়াদিজদা থৌদোক অদু নুপী অমগা মরী লৈনৈ হায়বসি কনফার্ম তৌবা ঙমব্রা হায়না হংখিবনি।

সাইপ্রস পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি, হাইজেকর অদু বেল্ট অমা ফাই তৌইগুম্বসুং মদুদা পোকখায়নবগী মচাকশিংদি য়াওদে।

হাইজেকর অদুনা ৱারী শানিংলিবা সাইপ্রসতা লৈবা নুপী অদু মহাক্কী মচা মরি লৈরবী মহাক্কী হান্নগী নুপীনি হায়না পুলিসকী ওফিসল অদুনা হায়খি।

হাইজেকর অদুনা হৌজিক লৈরিবা ইজিপস্যন গভর্ণমেন্টকী মরমদসু ৱাকৎখি অমসুং ইজিপস্যন জেলশিংদা লৈরিবা নুপী ফাদোকশিং থাদোক্লবসু দিমান্দ তৌখি হায়রি।

## নোর্থ কোরিয়ানা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল অমা কাপখ্রে



সিওল, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) ঃ
নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি মখোয়গী ইষ্ট কোষ্টতা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল অমা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমদগী তোকখায়না লৈরিবা লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়ার অমসুং রোকেট প্রোগ্রামশিংগী মরমদা টেন্সন ৱাংনরিঙৈ মরক্তা পিয়োংয়াংনা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল চাংয়েং অসি পাঙথোক্লিবনি হায়রি।

মিসাইল অদু নুংথিল পুং ৫.৪০ (লোকল) তাবা মতমদা নোর্থ কোরিয়াগী কোষ্টেল টাউন ৱোনসনগী মনাক্তগী কাপখি অমসুং অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ২০০ রোম পাইরল্লগা মেনলেন্দগা অমুক কনে টক্ত তৌনখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

হন্দক চয়োল অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উননা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইলশিং মশামক্কী মমাঙদা চাংয়েং তৌহনখি। মিসাইল চাংয়েংশিং অদু নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা হৌখিবা জন্যুৱারীদা পাঙথোকখিবা নোর্থকী মরিশুবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েংগী মতুংদা য়ু এননা থমখিবা অথিংবশিংগী পাউখুম ওইনা পাঙথোক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গুয়ন-হয়ে অমসুং জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেগা লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা উনদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মরমদা খন্নগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ঙরাং ফোঙদোকখি। ৱাশিংটনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ন্যুক্লিয়ার সিক্যুরিটি সম্মিটতা শরুক য়াবা লাক্কবদা চথুগদৌরিবা মীফম অদু প্রসিদেন্ট ওবামানা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগা উনগদবা নুমিৎতনি হায়রি।

## ‘আই এসনা জ্যু অঙাংশিংগী স্কুলদা এটেক তৌনবা হোৎনরি’



অঙ্কারা, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) ঃ
ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্টশিংনা টর্কিদা লৈবা কিন্দরগার্টেনশিং, স্কুলশিং অমসুং য়ুথ সেন্টরশিং টার্গেট তৌরদুনা জ্যুৱিশ অঙাংশিং হাৎননবগী থৌরাং অমা পায়খৎখ্রে হায়না স্কাই ন্যুজগী পাউ অমনা হায়রি।

ইন্টলিজেন্সকী ওফিসলশিংনা য়াম্না থুনা শোয়দনা চথুরক্লগদবা এটেকনি হায়না ফোঙদোক্লিবা এটেক্তুগী মরমদা কালিফেটকী ওপরেটিভ তরুক্তগী পাউ ফংখি। মখোয় হৌখিবা চয়োলদা সাউদর্ন সিটি গজিন্টেপতগী ফাগৎখিবনি হায়রি।

ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা অদুগুম্বা এটেক অমা পাঙথোরকপা তারবদি খ্বাইদগী হেন্না ওইথোকপা য়াবা টার্গেটতি ইস্তানবুলগী বিয়োগলুদা লৈবা সিনাগোগনি হায়রি। মফমদুদা কম্ম্যুনিটি সেন্টর অমা অমসুং স্কুল অমসু লৈ।

অসিগুম্বা ওইরকপা য়াবা ফীভমশিংদু য়েংদুনা টর্কিস পুলিসনা হান্না লৌখৎলম্বা চেকশিন থৌরাংগী মথক্তা সিক্যুরিটিগী অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। মরু ওইনা জ্যুৱিশ কম্ম্যুনিটিবু মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈহনবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী কুপশেন শেন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে হায়না ইন্টলিজেন্স সোর্ছনা স্কাই ন্যুজদা হায়খি।

“অরোন-অথুপকী থবক কয়ামরুম লেপ্তুনা পায়খৎলে। মসি হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা থ্রেট অমদগী হেল্লি, থবক হেক্তা পাঙথোরকপা য়াবা লৌতুনবা অমনি” হায়না সোর্ছ অদুনা হায়খি।

হৌখিবা মার্চ ১৯দা ইস্তানবুলদা চথুখিবা শাথিরবা সুইসাইদ বোম্বিং এটেক্কী মতুংদা জ্যুৱিশ অঙাংশিংবু টার্গেট তৌদুনা অকিবা পোকহনবগী থৌওংশিং পরিং নায়না চথুরকখিবনি। মমাঙগী সুইসাইদ এটেক অদুদা ইজরেলি মরি য়াওনা মীওই মঙা শিখি।

হৌখিবা চয়োলদা ব্রসেলসতা চথুখিবা টেররিষ্ট এটেক অমসুং মার্চ ১৯গী এটেক অনীমক ইস্লামিক ষ্টেটনা চথুখিবনি হায়না চপ চানা থাজনরে অমসুং ওর্গনাইজেসন অসিনা টর্কি অমসুং অতৈ মফমশিংদা মখা তাবা এটেকশিং চথনবা লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি হায়না ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপ পুম্বনা হৌজিক মায়োক্ল রিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী থ্রেটপু করম্না পুন্না থেংনমিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা স্পাই এজেন্সীশিংনা কোক চুংশিন্নরিঙৈগী তাল্লক্তা ইনৌ নৌবা ইন্টলিজেন্সকী পাউ অসি লাকখিবনি।

টর্কিনা সিরিয়ন রিফ্যুজি মিলিয়ন অহুমলোম লৌশিনখিবগা লোয়ননা য়ুরোপ্তুগী হৌখিবা পেরিস অমসুং ব্রসেলস সেলগী মেম্বরশিংনা সিরিয়াদা ট্রেনিং তৌরুরগা রিফ্যুজিশিংগী মরক্তা য়াওশিন্দুনা য়ুরোপ্তা লাকখি হায়বগী অকনবা ইভিদেন্স লৈ হায়রি।

জ্যুৱিশ টার্গেটশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা থ্রেট অসি খ্বাইদগী থুনা শোয়দনা চথুরকপা য়াবা এটেক্কী মরমদা লৌরকখিবা খ্বাইদগী ফরবা ঈ-পাউনি হায়না ইন্টলিজেন্স সোর্ছ অদুনা হায়খি।

“এটেক অদু চপ চানা করম্বা মতমদা চথুরক্কদগে হায়বা ঐখোয় খঙদে। মদু মথংগী পুং ২৪গী মনুংদা নৎত্রগা মথংগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ওইবা য়াই” হায়না সোর্ছ অদুনা মখা তাখি।

# য়ু এ ঈদা অৱাংবা টৱারশিং মৈ চাকখ্রে



দুবাই, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) ঃ
য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ)গী অজমনদা লৈবা য়ুম ওইনা শীজিন্নবা অৱাংবা টৱার অমা মৈ চাউনা চাকখৎলকপদগী ফায়র ফাইটরশিং চঙশিন্দুনা মৈদু লাকশিনখ্রে হায়না সিটিগী সিবিল দিফেন্সনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। মদু লৈবাক অদুগী অৱাংবা বিল্ডিং কয়া পরিং নাইনা মৈ চাক্লকখিবগী থৌদোকশিংদা খ্বাইদগী নৌবা থৌদোকনি।

লোকল মিদিয়ানা ফোঙদোকখি মদুদি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং অথেংবদা অজমন ৱানদা থোক্লকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখিবা মীওই মঙা খুদক্তা লায়কন্নখি। য়ুম ওইনা শীজিন্নবা টৱার ১২না চরোং ওইনা পুল্লগা শেম্বা অজমন ৱানগী মৈ চাকপগী থৌদোক্তুদা য়ামদ্রবদা টৱার অনীদি চাকখ্রে হায়না লোকল মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

টৱারশিংদুদা লৈরিবা মীশিংদু খুদোংচাগদবা মফমশিংদা হোংদোকখি। ৱাংলবা টৱারদুদা করম্না মৈ হৌরকখিবনো হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে হায়রি।

“সিবিল দিফেন্সকী টিমশিংনা মী লৈনবা টৱার মৈ চাকপদু লাকশিনবা ঙমখ্রে অমসুং মখোয় হৌজিক থৌদোক থোকফমদা লৈদুনা ঈংথহনবগী থবকশিং পাঙথোক্লি” হায়না সিবিল দিফেন্সনা মখোয়গী ত্বিটরগী একাউন্টতা ফোঙদোকখি।

সিবিল দিফেন্সনা মৈ চাকপদুদা মীশি-মীনা থোকপগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। পুলিসনা ওনলাইনদা থাগৎলকখিবা ভীদিও অমনা বিল্ডিং মথক্তগী মৈ চাক্লবা পোৎশকশিং তারকপগী শক্তমশিং উৎখি অমসুং থৌদোক থোকফম তাবা লম্বীশিং থিংজিন্দুনা মী চঙবা য়াহন্দনা থমখি।

খ্বাইদগী নৌবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু চহী ৩গী মনুংদা য়ু এ ঈদা থোকখিবা মরিরকশুবা অৱাংবা বিল্ডিং মৈ চাকপগী থৌদোকনি। হৌখিবা জন্যুৱারী ৩১দা দুবাইগী দাউনটাউন হোটেল অমা মৈ চাকখি। হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদনা দুবাইদা লৈবা মথোল ৭৯গী হোটেল অমদা মৈ চাক্লকখি অমসুং কুমজা ২০১২গী নবেম্বরদা দুবাইগী মথোল ৩৪গী মী লৈনবা বিল্ডিং অমা মৈ চাক্তুনা মচেৎ অমা পুংতুম তুমখি।

মৈ চাকপগী কেসশিংদুগী মরক্তগী খরগা মরী লৈননা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, বিল্ডিংশিংগী মপান্দা মৈ হৌগনবা পোৎশক কয়া লৈতেং ওইনা নৎত্রগা ইন্সুলেসনগীনি হায়দুনা থম্বনা মরম ওইদুনা মৈ চাক্লকপা মতমদা য়াম্না থুনা শন্দোকখিবনি।

## কাইখিবা প্লেনগী মচেৎ মানবা অমসু সাউথ অফ্রিকাদগী ফংখ্রে

কুলালম্পুর, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) ঃ
চহী ২ হেনবগী মমাঙদা ইন্দিয়ন ওসিনগী মথক্তা রুতিন ফ্লাইট অমা ওইনা পাইরিঙৈ মনুংদা ঙক্লিঙাই ওইবা মওংদা খঙহৌদনা মাঙখিবা মালেসিয়ন এয়রলাইনসকী প্লেন এম ঐচ ৩৭০কী অতোপ্পা অকায়-অতোয়গী শরুক ওইবা য়াবা পোৎশক অমা সাউথ অফ্রিকাদা ফংখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা অকায়-অতোয়গী মচেৎতু এম ঐচ ৩৭০কী শরুকনি হায়না কনফার্ম তৌবদি ঙনমল্লি হায়খি। পোৎশক অদু ঙরাং সাউথ অফ্রিকাদা ফংখিবনি অমসুং মদু ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০গী শরুকনি হায়না চপ চানা লেপথোকপদি ঙনমল্লি হায়না ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর লিয়ো টিওং লাইনা হায়খি।

“ঐখোয়না অহানবদা অকায়-অতোয়গী শরুক অদু বোইং ৭৭৭ প্লেনগী শরুক ওইব্রা হায়বদু লেপথোকপা চঙই” হায়না মহাক্না হায়খি।

বোইং ৭৭৭ জেটলাইনর অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী মার্চ ৮দা ইনি দয়ন মচা মঙা য়াওনা মীওই ২৩৯গা লোয়ননা কুলালম্পুরদগী বৈজিং তম্না পাইখ্রগা রাদারগী স্ক্রিনশিংদগী মাঙখি অমসুং মদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা থীবা খঙলকখিদবনি।

মথং চহীগী জুলাইদা ইন্দিয়ন ওসিনগী লা রিয়ুয়িন ঈথৎতা এয়রক্রাফটতুগী মাশাগী শরুক অমা লৈরম্বা থেংনখি। করিগুম্বা কনফার্ম তৌবা তারবদি পোৎশক অদু সাউথ অফ্রিকাদা থেংনবা প্লেনগী অকায়-অতোয়গী ২শুবা শরুক ওইগদৌরিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### MINISTRY OF DEFENCE RECRUITMENT 2016 – 160 TRADESMAN MAT, LDC, COOK & OTHER POSTS

**HQ BEG & Centre Roorkee Jobs 2016 – Safaiwala, CTI & Other Posts:** Ministry of Defence, HQ Bengal Engineer Group (BEG) and Centre, Roorkee has released notification for the recruitment of LDC, CTI, Gardener, Safaiwala, Lascar vacancies. Eligible candidates may apply in the prescribed application format on or before 10-04-2016 by 04:00 P.M. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**HQ BEG & Centre Roorke Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 10**
**Name of the Posts:**
1. LDC: 01 Post
2. CTI (Electrician Trade): 02 Posts
3. Gardener: 01 Post
4. Safaiwala: 04 Posts
5. Lascar: 02 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be between 18-25 years for General, 18-30 years for SC/ ST candidates as on 10-04-2016. Age relaxation is applicable as per rules.
**Educational Qualification:** Candidates should possess 12th or equivalent with English typing of 35 wpm or Hindi typing of 30 wpm for post 1, High School or equivalent with ITI / NCVT in relevant trade for post 2, High School or equivalent for post 3, 4, 5.
**Selection Process:** Candidates will be selected based on intial screening of applications, practical test, written test.
**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in the prescribed format affixing one recent passport size photograph attested by gazetted officer along with copies of all relevant certificates, two self addressed envelopes of size 28 cm x 12 cm with postage stamp of Rs. 27/- ffixed on each envelope through Registered Post to the Administrative Officer, HQ BEG & Centre Roorkee-247667, Distt-Hardwar (Uttarakhand) on or before 10-04-2016 by 04:00 P.M. Superscribe the envelope with the Name of the post.
**Last Date for Submission of Application:** 10-04-2016 by 04:00 P.M.
*For more details like application format, admit card and other information refer Employment News Paper Dated 05-03-2016 to 11-03-2016, Page No-22.*

**SQAE (Small Arms) Jobs 2016 – Technician (Skilled) Posts:** Ministry of Defence, Senior Quality Assurance Establishment (Small Arms) has released notification for the recruitment of Technician (Skilled) vacancies of Central Service Group ‘C’ Non-Gazetted, Industrial, Non-Ministerial. Eligible candidates may apply in the prescribed application format within 21 days from the date of advt. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**SQAE (Small Arms) Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 08**
**Name of the Posts: Technician (Skilled)**
1. UR: 04 Posts
2. OBC: 03 Posts
3. ST: 01 Post

**Age Limit:** Candidates age should be between 18-27 years for UR, 18-30 years for OBC, 18-32 years for SC/ ST candidates as on last date for receipt of application. Age relaxation is applicable as per rules.
**Educational Qualification:** Candidates should possess Matriculation (10+ Class Pass) with ITI pass Certificate in Fitter/ Machinist trade or its equivalent Defence Services Tradesman Course & should have relevant experience.
**Selection Process:** Candidates will be selected based on written test, skill/ trade test.
**How to Apply:** Eligible candidates may send their application on plain paper in the prescribed format along with two passport size photographs (one on the application and one on admit card) attested by gazetted officer, copies of all relevant certificates attested by gazetted officer, self addressed stamped envelope of (Rs. 5/-) of size 25 x 10 cms by post to the Senior Quality Assurance Officer, Senior Quality Assurance Estt (Small Arms), PO: Ichapur-Nawabganj, Dist: 24 pgs (N), W.B. Pin 743144 within 21 days from the date of advt. Superscribe the envelope as “Application for the post of Technician (Skilled)”.
**Important Dates:**
**Date of Advertisement:** 19-03-2016 to 25-03-2016
**Last Date for Submission of Application:** Within 21 days from the date of advt.
**For more details, please visit on the link given below**
http://www.freejobalert.com/ministry-of-defence-recruitment/27816/#LDC-Cook-Other

**Selection Centre South Bangalore jobs 2016 – Steno Grade – II, MTS & Other Posts:** Ministry of Defence, Selection Centre South Bangalore has issued a notification for the recruitment of Stenographer Grade – II, MTS (Watchman, Messenger, Safaiwala) & Room Orderly vacancies. Eligible candidates can apply in the prescribed application format within 21 days from the date of advertisement. Other details like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…..

**Selection Centre South Bangalore Vacancy Details:**
**Total No.of Posts: 06**
**Name of the Post:**
1. Stenographer Grade – II: 02 Posts
2. MTS (Watchman): 01 Post
3. MTS (Messenger): 01 Post
4. MTS (Safaiwala): 01 Post
5. Room Orderly: 01 Post

**Age Limit:** Candidates age should be between 18 – 27 years for S.No-1 to 4 & between 18 – 25 years for S.No-5 as on the last date for receipt of application. Age relaxation is up to 40 years for S.No- 1 & 5, 35 years for S.No- 2,3 & 4.
**Educational Qualification:** Candidates should possess 12 th pass or equivalent for S.No-1, Matriculation pass for remaining all posts from a recognized university or board.
**Selection Process:** Candidates will be selected based on written examinations/ tests.
**How to Apply:** Eligible candidates send their application along with photocopies of all relevant certificates to be attached duly attested by Gazetted Officer, latest passport size photograph self- attested, birth certificate, any one identity proof, self addressed envelope duly affixing postal stamp of Rs. 22/- & top of the application form as well as outside of the envelope should be superscribed with the name of the post/ category in block letters through Registerd post to The Commandant, Selection Centre South, Cubbon Road, Bangalore – 560042 within 21 days from the date of advertisement.
**Important Dates:**
**Date of Advertisement:** 19 to 25-03-2016.
**Last Date for Submission of Application:** Within 21 days from the date of advertisement.
*For more details like pay scale & other information refer Employment News paper page No- 33 dated on 19 to 25-03-2016.*